www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide



# MANIPURI
## ( PAPER—I )
## ( LITERATURE )

Time Allowed : Three Hours

Maximum Marks : 250

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিৱৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

MANIPURI
( PAPER—I )
( LITERATURE )

Time Allowed : Three Hours

Maximum Marks : 250

**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

www.prepp.in

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি, পাউখুম খুদিং ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

(*a*) মণিপুরী লোন্দা তিব্বতো-বর্মন লোন অমা ওইবগী করি করি মচলশিং য়াওবগে? শন্দোক্না ইয়ু। 10

(*b*) ভাৱেল কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী লোনগী ভাৱেলশিং হায়দোকপগী মওং মতৌ (আর্টিকুলেটরী দিসক্রিপসন) তাকউ। 3+7=10

(*c*) মণিপুরী লোন্দা ৱাহৈ পরেং মখল কয়া লৈবা য়াবগে, মখল খুদিংগী মশক খুদম পীদুনা ইয়ু। 10

(*d*) মণিপুরী লোনগী ফ্রেজ মখলশিংদু খুদম পীদুনা ইয়ু। 10

(*e*) সন্ধি হায়রগা করিবু খঙবগে? সন্ধি মখল কয়ানো? মখোয় খুদিংগী খুদম অমমম পীয়ু। 4+6=10

**2.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীয়ু :

(*a*) ফোনিম কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী লোনগী ফোনিম মখলশিংদু খুদম পীদুনা ইয়ু। 5+10=15

(*b*) মণিপুরী লোন চাওখৎনবা সরকারনা করম্না থৌরাং তৌরিবগে? মৈতৈ ময়েক চৎনহনবগী পায়খৎলক্লিবা থবক অসিদা করম্না খুদোংচাদবা মায়োক্নবা য়াবগে ইয়ু। 7+8=15

(*c*) কেস হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোনগী কেস মার্করশিংগী মরমদা খুদম পীদুনা তাকউ। 10+10=20

**3.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীয়ু :

(*a*) ফ্রেজ অমসুং ক্লোজ অনীসি করি খেন্নবগে? মণিপুরী লোনগী ক্লোজ মখলশিংদু খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 10+10=20

(*b*) মণিপুরী লোনসি তোন লৈবা লোননি হায়রিবা করিগীনো? শন্দোক্না ইয়ু। 15

(*c*) সিলেবল কদায়বু কৌই? মণিপুরী লোনগী সিলেবল মখলশিংদু খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 5+10=15

**4.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীয়ু :

(*a*) টেন্স অমসুং অসপেক্ট অনীগী খেন্নবদু খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 15

(*b*) সফিক্সনা মণিপুরী গ্রামারদা লৌরিবা মরু ওইবা থৌদাংশিংদু খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 15

(*c*) মণিপুরী লোন হৌরকপা অমসুং চাউখৎলকপগী মতাংদা মরীক চুম্না ইয়ু। 20

www.prepp.in
Prepp
Your Personal Exams Guide

## SECTION—B

5. মখাগী ৱাহং খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি, পাউখুম খুদিং ৱাহে *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

(a) ‘‘অঙনবা মতমদা ইরম্বা অকন-অথৌগা মরী লৈনবা লাইরিকশিংদা ৱাকমাশিংনা য়েক্লম্বা চরিত্রশিংগী মরক্তা ‘থৌৱানথাবা হিরান’গী মৈদিংঙু থৌৱানথাবগী চরিত্রসি তোপ-তোপ্পী।’’ ৱাফমসি কদায়ফাওবা চুম্বগে নৈনৌ।

(b) মণিপুরী লেজেন্দশিংনা সমাজদা লৌরিবা থৌদাংশিংদু মরীক চুম্না ইয়ু।

(c) লাই হরাওবগী নোংমগী ওইবা থৌরমশিংদু করি করিনো ইয়ু।

(d) খোঙ কাঙজৈগা শগোল কাঙজৈগা করি করি খেন্নবগে? মরীক চুম্না তাকউ।

(e) ‘‘লৈত-লাইর, তোল্ল-তারবশিংগী পুন্সিবু রিএলিষ্টিক ওইনা উৎপদা, নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন থোইদোক হেন্দোক্লা হৈ-শিংই’’ হায়বসি ‘ইলিশা অমগী মহাও’ লাইরিক্তা যুম্ফম ওইদুনা নৈনৌ।

6. ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীয়ু :

(a) লাইশ্রম সমরেন্দ্র অমসুং এলাংবম নীলকান্ত অনীগী শৈরেংশিংদা থেংনরিবা হীরম, লোন, খুৎইগী খেন্নবা মশকশিংদু মরীক চুম্না ইয়ু। 20

(b) বেলেদ কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী বেলেদ মখলশিংদু খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 5+10=15

(c) মহারাস হায়রিবা জগোই রাস মখলসিগী মরমদা ৱারেং অমা ইয়ু। 15

7. ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীয়ু :

(a) অঙনবা মতমগী মণিপুরী লাইনীংগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু। 20

(b) ‘‘ময়ায় চনবা মতমগী লাইরিকশিংদা ফিক্সনগা হেন্না নকশিন্নবা খুৎইগী মশক অমা থেংনৈ’’ হায়বসি ‘সনামনিক’তা যুম্ফম ওইদুনা নৈনৌ। 15

(c) প্রোভর্ব অমসুং রিদল অনীগী খেন্নবদু খুদমগা লোয়ননা তাকউ। 15

8. ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীয়ু :

(a) ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা হোংলকখিবা লোন অমসুং মফোংদোক্কী মশকশিংদু মরীক চুম্না ইয়ু। 20

(b) ‘‘মণিপুরী শৈরেংদা ফুঙ্গাৱারীগী মফম চাউনা কন্দুনা লৈ’’ হায়বসি খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 15

(c) কাং হায়রিবা মশান্নসিগী কাঙলোন অমসুং নুংগী ৱাখল্লোনগী মরমদা ৱারেং অমা ইয়ু। 15

★ ★ ★

www.prepp.in